www.sanaleibak.in

সনালৈবাক
SANALEIBAK
PROGRESSIVE JOURNALISM

24 Carat/g : ₹ 14,506 | 22 Carat/g : ₹ 13,640 | 1 Kg Silver : ₹ 2,25,797 | 10 Gram Silver : ₹ 2,251 | WEATHER: Cloudy | Temperature 30/22°C | Sunrise: 05:04 AM | Sunset : 05:08 PM | Petrol : ₹ 106.87 | Diesel : ₹ 92.57 | GAS TODAY Page 2 | sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 289 | IMPHAL, WEDNESDAY, SEPTEMBER 30, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪-২৫ | য়ুমশকৈশা, লাংবনগী ১৯ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

# নৌরিবা অঙাং অনী হাৎখিবা ত্রোংলাওবীগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই ১সু এন আই এনা ফাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এস এন এস) ঃ হৌখিবা চহী ২০২৫গী এপ্রিল থাদা ত্রোংলাওবীদা আই ই দি এটেক্ট চথদুনা অপোকপী মমাগী মতম্বাক্তা তুমখুল তাল্লিবা চহী নৌরিবা অঙাং অনীবু মীনুংশি লৈতনা হাৎখিবা অমসুং অপোকপী মমাবুনা শোকহনখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই অমসু নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)না ফাখ্রে।

এন আই এ না নৌনা ফারবা মীওই অদুগী মমিং থাংমাং হাওকিপ (৪৮) কৌই, চুরাচান্দপুরদগীনি। মহাক হৌখিবা থা অসিগী ২৫দা ফাবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

এন আই এগী মতুং ইন্না হৌখিবা চহী ২০২৫গী এপ্রিল ৭তা শকখঙদবা খূৎলায় পায়বশিংনা মনাক নকপদা লৈবা চীংগী মফম অমদগী ত্রোংলাওবী অৰাং লৈকাইদা আই ই দি কাপশিন্দুনা এটেক্ট চথরকখি। শকখঙদবশিংনা কাপশিল্লকখিবা আই ই দি অদুনা ত্রোংলাওবীগী অৰাং লৈকাইদা লৈবা য়ূম অমদা তাদুনা পোকখায়বদগী পীল্লিবা অঙাং অনী য়াওনা ইমুং অমগী মীওই ৩ অশোক অপন নংখি। অশোক অপন নংলবা পীল্লিবা অঙাং অনী






অদু থৌদোক অদুদা লৈখিদবনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিস অমদি সেক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা থৌদোক থোকফমদা চঙদুনা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা ইম্প্রোভাইস রোকেট-প্রোপেল গ্রেনেদ (আর পি জি) অমসু রিকোভর তৌবা ঙমখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা মরী লৈনবা মোইরাং পুলিস ষ্টেসন্না কেস অমা রেজিষ্টর তৌরবা মতুং মখা তানা এন আই এনা ভারতিয়া ন্যায় সংহিতা, এক্সপ্লোসিভ সবষ্টেন্সেস এক্ট অমসুং অনলোফুল এক্টিভিটি (প্রিভেন্সন) এক্টকী প্রোভিজনগী মখাদা এপ্রিল ২৩দা অমুক হন্না কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌরকখি।

এন আই এ না ত্রোংলাওবীগী আই ই দি এটেক্টকা মরী লৈননা ...মখা লমায় ৫দা...

লৈঙাক্লা ফনা কন্না লাউরবসু কুকিগী তোখায়বগী মঙলানদি তোক্ত্রি

# ওক্টোবর ১০ ফাওবদা লেজিসলেচর য়াওবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি পীগদবনিঃ কে জেদ সি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এস এন এস)ঃ য়ুম্নাম খেমচান্দনা লুচিংবা মণিপুর লৈঙাক্লা মণিপুরদা তঙদু লৈতাবা হঞ্জিল্লক্লবনি হায়দুনা লেপ্তুনা হোৎনরিবশিং অরেম্বা তারব্রা। লৈঙাকসিগী চীফ মিনিষ্টরনা কুকিশিংনা খুন্দাবা মফম কয়াদা চৎতুনা মণিপুরদা তঙদু লৈতাবা হঞ্জিল্লক্লবা অমসুং অপূনবা মণিপুর অমা ওইনবা পাউজেল কয়া পীরবসু কুকিশিংগী তোখায়না তানিংবগী ৰাখল্লোন্দি হোংহনবা ঙমদ্রি।

মে ৩গী ইরাং মতুংদগী কুকিশিংনা তাল্লকখিবা তোখায়বা লৈঙাক নত্রগা লেজিসলেচর য়াওবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি হৌজিকসু লেপ্তুনা তাল্লক্লি। ওক্টোবর ১০ ফাওবগী মনুংদা কুকিশিংগী লেজিসলেচর য়াওবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি পীগদবনি হায়না কুকি জো কাউন্সিলগী মায়কৈদগী অমুক্কসু হন্না ফোঙদোরক্লি।

কুকি জোশিংগী পোলিটিকেল দিমান্দ অমা ওইরিবা লেজিসলেচর য়াওবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমা পীগদবনি হায়বা ৰাফম অসিগী মতাংদা ঙসি কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোকখিবা কন্সলটেটিভ মিটিংদা ৰারেপ অসি লৌখিবনি। কন্মিটি ওন ট্রাইবেল য়ুনিটি (কোটু) অমদি কে জেদ সিনা ...মখা লমায় ৫দা...

## 'এম এল এশিংগী ফিরেপ লৌবগী সিগ্নেচর কেম্পেইন হৌখ্রে'

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এস এন এস) ঃ জে এফ দি ব্রুমেন ৰিংনা এম এল এশিংগী ফিরেপ লৌবগী সিগ্নেচর কেম্পেইন হৌখ্রে হায়না ৰিং অসিগী কনভেনর সৌগ্রাকপম সুমতিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি) মণিপুরনা নো এন আর সি নো সেন্সসকী চঙশিল্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা জে এফ দি ব্রুমেন ৰিংনা চঙশিনবা খোঙজংগী মনুং চন্না ঙসিদগী হৌনা এম এল এশিংদা পোইন্ট ৫ য়াওবা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা খোঙজং অসিগী মতাংদা এম এল এশিংগী ফিরেপ খঙদোকপগী কেম্পেইন হৌদোকখিবনি। কেম্পেইন অসিগী মনুং চন্না নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিটিজেন্স (এন আর সি) ১৯৫১ অপদেট তৌদনা মীতোপ খন্দ্রক্লিবা ফাওবা মণিপুর ষ্টেটকী সেন্সস ওপরেসন তৌহন্দনবা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি মপুং ফানা সপোর্ট তৌই হায়বা ৰারোল য়াওবা দিক্লারেসন ...মখা লমায় ৫দা...

## লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা আই দি পিশিংগী শেন্থং মপূং ফানা পীথোকপীয়ুঃ মণিপুর ইমা

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এস এন এস) ঃ লৈঙাক্লা পীগনি হায়না লাউথোকখিবা ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সন (আই দি পি)শিংগী শেন্থং মপূং ফানা পীথোকপীয় হায়না মণিপুর ইমা, ইন্টরনেসলি দিসপ্লেস পার্সন মণিপুরগী চীফ কনভেনর শগোলশেম কুল্লা মঙাংনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা শগোলশেম কুল্লনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্লা আইদিপিশিংগী পীথোক্তনা লৈরিবা ফাইনান্সিয়েল এইদ অথুবদা পীথোকপিয়ু। আইদিপিশিং ইং তপ্লা পাম্মী। আইদিপিশিং অথুবদা ময়ুম ময়ুমদা হঞ্জিলহন্দুনা তঙদু লৈতানা লৈহনবিয়ু। হৌখিবা চহী ২০২৩ গী মে ৩ দগী হৌদুনা থোক্লকখিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা মীওই কয়া লাঞ্জেন্নদুনা ষ্টেট ...মখা লমায় ৫দা...

## 'য়েলহৌমীশিং ঙাকপা ঙমদ্রবদি সি এম খেমচান্দ ফম থাদোক্লো'

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এস এন এস) ঃ ইন্দিয়ানা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং কনবীগনি হায়বা থাজরক্ত্রে। লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিং ঙাকপী শেনবীবা ঙম্লোইদবা ওইরবদি মোরেল গ্রাউন্দদা চীফ মিনিষ্টর ফম থাদোক্লো হায়না তাঙ্খুল অজে কটমনাওলোং (টি এ কে এল)না ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা টি এ কে এলগী প্রসিদেন্ট য়ারচুইসো কাসুংনা হায়, চহী ৩ হেল্লক্লবা মণিপুরগী ইরাং অসিদা হৌজিক ফাওবা ষ্টেট অমদি সেন্টর লৈঙাক্লা লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংবু মীতোপ অমগুম লৌবগী মমি তারি। হন্দক্তা নাগাগী মীচম ৪ ...মখা লমায় ৫দা...

## কেবিবু মীংচৎ থীহন্নবা হোৎনরম্বা মীওই চৈরাক পীয়ুঃ মৈরা পায়বী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এস এন এস)ঃ সোসিয়েল মেদিয়াদা ফেক একাউন্ট হাংলগা নাওরিয়া পাখঙলাকপা কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ, এস কেবিবু মীংচৎ থীহন্নবা হোৎনবা অমদি নুপী খুন্নাইবু থওই উশিৎতবা থবক কয়া তৌরম্বগী মরালদা সাইবর ক্রাইম পুলিসনা ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই কোংপাল সাজোর লৈকাইদগী ফারবা পাওনম ধনেশ্বরগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়না দিমান্দ তৌরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি হৈরাঙ্গোইথোংগী কম্যুনিটি হোলদা নাওরিয়া পাখঙলাকপা কন্সটিট্যুয়েন্সিগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা ...মখা লমায় ৫দা...

## 'শগোল ৮ শিরে, মীংয়েং চঙবিয়ু'

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এস এন এস)ঃ মণিপুরবু মালেমদা শক তাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মণিপুরী পোনি লায়না লায়ওং খঙদনা নাবদগী ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা শগোল ৮ শিখ্রে। লৈঙাক্কী ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টতা শগোল এক্সপার্ট থম্বা, মতিক চাবা শজিক থাকফমনচিংবা থম্বীরগা পোনিশিংবু কনবিয়ু হায়না মণিপুর পোনি সোসাইটি অমদি মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা মণিপুর লৈঙাক্কী পুক্লিং চীংশিল্লক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবকী থাংজিং হোলদা মণিপুর পোনি সোসাইটি অমদি মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন অনীনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মণিপুর পোনি সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট চোংথাম প্রিয়োরঞ্জননা হায়, কুমজা ২০১৯দা পোনিগী সেন্সস ...মখা লমায় ৫দা...

## ৰাখলগী চিঙ্গাক

মাইথিবা, অৰা-অনা মায়োক্লদ্রিবা পুন্সিনা কা হেন্না চাওখৎলকপা হৌনদে

## য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এস এন এস)ঃ লময়ানবা হিজম ইরাবত পোকখিবা নুমিৎ ইরাবত দেনা লাকপদা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দ, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি স্পিকর টি ঐচ সত্যব্রতা য়াওনা মীওই কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা থাদোরকপা ...মখা লমায় ৫দা...

## ৱার্ল্ড হার্ট দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এস এন এস)ঃ সেনিয়র সিটিজেন্স সোসাইটি হেল্থ ৱার্কর এসোসিয়েসন খুন্দ্রাকপম এ সি খূৎশন্ননা শীন্দুনা খুন্দ্রাকপম মখা লৈকাইদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা ৱার্ল্ড হার্ট দেগী থৌরম মপুং ফানা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হেল্থ ৱার্কর এসোসিয়েসনগী কাঙবম ইনাওচা, সেনিয়র ...মখা লমায় ৫দা...

## এ আর পর্সোনেল ১ লৈখিদ্রে, ৪না শোক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এস এন এস)ঃ অরুনাচল প্রদেশকী চাংলাং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ইন্দো-ম্যানমার ঙমখৈ পরিং ঙাক শেনবগী থবক তৌরিবা অসাম রাইফলস পর্সোনেলশিংদা শকখঙদবা খূৎলায় পায়বশিংনা এটেক্ট চথদুনা লান দারকপদা পার্সনেল ১ লৈখিদ্রে, ৪না অশোক অপন নংখ্রে। ...মখা লমায় ৫দা...

## লোইরেদনা

অথৌবা নহাক্কী থৌনা লিংজেলদু ঐখোয়দসু পীনবীয়ুকো



অফবদদি শীজিন্ননবা ওইরম্লোইনে, খারেদা

## হেক্তা হায়জিনবা

### থবক্লা উৎপা

লৈঙাকপদি অরানবা তৌদে
লৈঙাকপদি অরানবা ঙাঙদে
লৈঙাকপদি থবক্লা উৎলেনা
হায়ৰেদা মৈতৈ চৎপা য়াই
কিদুনা চৎচদবনি হায়বদু
চৎপা য়াই উৎখ্রে
সেনাপতি ফাও চৎতুনা
সিফাইনা চয়োম শানা
চৎপা ঙম্মী উৎখ্রে
তম্পাক্তা কর্ফিয়ু থমজিল্লিঙৈ
ইন্টর্নেট ককথৎলিঙৈ
মীয়াম হা হা কার লাউনরিঙৈ
চীং চাওখৎনবা হোৎনখ্রে
কয়া অমা শঙ্গাখ্রে
কয়া অমা যত্রা হুনখ্রে
লৈঙাকপদি অরানবা ঙাঙদে
লৈঙাকপদি অরানবা তৌদে

## মণিপুরগী ইরাং খরমখৈ শাফরক্লে, হান্নগুম নুংশি চান্নবা পুরক্লবা লৈঙাক্লা হোৎনরিবসিদা শৌগৎপীয়ুঃ কেবা

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এস এন এস)ঃ কুমজা ২০২৩দগী হৌরগা থোক্লকখিবা ইরাং অসিনা মণিপুরদা লাঙলকখিবশিং হৌজিক খরমখৈ তপথরক্লে। অসুন্না তপ্না তপ্না ইংথরক্তুনা মহৌশাগী নুংশি চান্নবা অমসুং অপূনবা মণিপুর অমা ওইনবা মণিপুর লৈঙাক মরু ওইনা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা হোৎনরিবশিংদা মীয়াম পুন্না শৌগৎমিন্নসি হায়না পাৎশোই এ সিগী এম এল এ সাপম কুঞ্জাকেশ্বর এলাইজ কেবানা ফোঙদোকখ্রে।




প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক মীয়ামগী সেবা তৌরকপা চহী ২৫ শুরকপগা মরী লৈননা থা অমা চুপ্পা ওক্টোবর ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা সেৱা সংকল্প অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা ১৯ পোৎশোই ...মখা লমায় ৫দা...

## এম এল এ পার্টিগী মীহুৎ নত্তে, কেন্দ্র অমগী মীহুৎনিঃ ইবোমচা

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এস এন এস)ঃ এম এল এ হায়বসি পার্টি অমগী মীহুৎ নত্তে, কেন্দ্র অমগী মীহুৎনি। পার্টিগী ৰাফমদি ইলেক্সন মনুংদা খন্নসি। এম এল এ অমা ওইনা চাওখৎ থৌরাং পায়খৎলকপদা মীয়াম্না মতেং পাঙদ্রবদি মায় পাকপা ঙম্লোই হায়না লমলাই এ সিগী এম এল এ খোঙবানতাবম ইবোমচানা ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা মহাক্লা মীয়ামগী থবক তৌরকপা চহী ২৫ শুরকপগী লৈবাক শীনবা থুংনা চথরিবা সেৱা সেতু অভিয়ানগী থৌরম য়ৌরবুং ...মখা লমায় ৫দা...

## এন এস সি এন অমদি আর পি এফনা চথখিবনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এস এন এস) ঃ অরুনাচল প্রদেশকী চাংলাং দিষ্ট্রিক্টকী নামপোং মনাক্তা ২১শুবা অসাম রাইফলসকী মথক্তা চথখিবা এটেক্ট অদু এন এস সি এন / জি পি আর এন অমদি রিভোল্যুস্নরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ) অনীগী অপুনবা টেক্টিকেল টিমনা চথখিবনি হায়না এন এস সি এন / ...মখা লমায় ৫দা...

## ভোট মতমদা থোক্লক্তুনা মীয়ামগা লোয়নবা মীহুৎতি মীহুৎ নত্তেঃ মহেশ্বর

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এস এন এস)ঃ ভোট মতমদা খক্তা মীয়ামগা লোয়নবা মীহুৎ অদু মীয়ামগী মীহুৎ কৌদে, মীহুৎ হায়বসিদি মতম পূম্বদা মীয়ামগা লোয়নননা চৎকদবনি হায়না আর পি আই অথৱালেগী নেসনেল সেক্রেটরি মহেশ্বর থৌনাওজমনা ফোঙদোকখ্রে।

কৈশামথোং এ সিগী মনুং চনবা কৈশাম্পাৎ কৈশাম লৈকাইদা অহলশিংনা ঙাইহাক পোত্থানবা মফম 'পোত্থাফম' অমা শাবা লোইদুনা শঙ্গারগা মীয়ামদা খুৎশিন্নবগী থৌরমদা মহাক্লা মখা তানা হায়, ...মখা লমায় ৫দা...

## সাইখোম দেবেন মঙাং তাম্থোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এস এন এস)ঃ মণিপুরগী এপেক্স বোদি অমা ওইরিবা ওল মণিপুর চৈবি এসোসিয়েসন (অমকা)গী ঙসি ফমখিবা অথুবা এগজিক্যুটিভ মীফম্না কূপ্পা খন্নরবা মতুংদা এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা সাইখোম দেবেন মঙাংবু ...মখা লমায় ৫দা...

## মবুং-মচনগী হোৎনজমননা কৌক্তে থাও 'লৈশিং' মায় পাক্লা পুথোক্লে

সনসম কৃতিভাস

**থম্মোয় শেংনা থবক তৌবদা মায় পাক্লোইদবা লৈতেঃ তোজো**




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯(এস এন এস)ঃ জয়শ্রী ইন্টরপ্রাইজেসকী ক্ষেত্রিময়ুম তোজো অমদি ক্ষেত্রিময়ুম জয়শ্রী মবুং মচল অনীগী হোৎনজমলনা মণিপুরদা শাজবা কৌক্তে থাও 'লৈশিং' মায় পাক্লা পুথোক্তুনা মীয়ামদা কান্নবা কয়া পীবা হৌরে।

মীশিং য়ামদবা অপিকপা মফম অমা ওইরবসু মণিপুরদা ৰাখল লৌশিং লৈবা হোৎনবা তন্দবা মীওই কয়া অমা লৈরি। মসিমক্লা মালেমগী ফম্বাক্তা মণিপুরগী মফম অমা কনবা ঙম্লিবনি হায়না লৌবা য়াই। লমদম অসিগী হৌগৎলক্লিবা নহাশিংনা মালেমগী ওইনা হোংলক্লিবা টেক্লোলোজিগী খোঙজেলদা শরুক য়াদুনা মীপাল তাংদনা হিংনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং অমা ওইগদবা পোৎলম কয়া পুথোকপগী চাং ৰাংখৎলক্লি।

কৈশাম্পাৎ কৈশাম লৈকাইদা লৈবা জয়শ্রী ইন্টরপ্রাইজেসকী মপু ওইরিবা মশাগী চহী ৩১ রোমতমক ঙায়রিবা ওন্ত্রাপ্রিন্যুর ক্ষেত্রিময়ুম তোজো অমদি মশাগী চহী ২৬রোমতমক ঙায়রিবী মচননুপী ক্ষেত্রিময়ুম জয়শ্রী মচিন মনাওনা লমদম অসিদা ফংবা পোৎলমশিং শীজিন্নদুনা 'লৈশিং' হায়না মিং থোনবা কৌক্তে থাও মায় পাক্লা পুথোকপা ঙম্লে। প্রদক্ত অসি কৈথেলদা থাদোকপদগী মীয়াম্না পান্নবা কৌক্তে থাও অমসু ওইরক্লি।

মণিপুরদা শাজবা কৌক্তে থাও অসিগী ...মখা লমায় ৫দা...

ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯳꯰, ꯲꯰꯲꯶

জন নেটা ইরাৱত দে, ২০২৬

সেপ্টেম্বর ৩০, ২০২৬



লময়ানবা হিজম ইরাৱতনা
লমদম অসিবু থম্মোয় শেংনা নুংশিখিবগা লোয়ননা
হীরম খুদিংমক্তা চাওখৎপা অমদি অওনবা পুরক্লবা
পুন্সিগী অরোইবা মিৎকুপ ফাওবা হোৎনখি।
মহাক্কী মরৈবাক নুংশিবগী অৰাংবা ৰাখল্লোন
অমদি থৌনা অদুবু ঐখোয় খুদিংমক্লা
মহাক্কী মপোক নুমিৎনা লাকপা অসিদা নৌহৌননা নীংশিংলসি।

মফমঃ ইরাৱত স্কয়ার, লিলাশিং খোংনাংখোঙ
মতমঃ অয়ুক পূং ৮ঃ৩০

ডাইরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এণ্ড পব্লিক রিলেসন্স
গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুর

# মণিপুরদা এইমস হোস্পিটাল লীংবিয়ু, রিমস হোস্পিটালদি রিমস ওইনা অদুম লৈহনসিঃ হেমন্ত এক্স মিনিষ্টর

থৌবাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এসএনএস)ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা খোংজোমদা লৈবা ডা. প্রতিতা চেরিটেবল হোস্পিটাল এন্দ রিছার্সাস ইন্সটিট্যুটকী ৫ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি হোস্পিটাল অসিগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।




থৌরম অদুদা ডা. প্রতিতা চেরিটেবল ট্রষ্টকী চিয়ারমেন হান্নগী মিনিষ্টর মোইরাংথেম হেমন্তনা হায়, মণিপুরদা অনা লায়েংগী হোস্পিটাল মতিক চানা লৈতবা অমদি খরা লৈবা অসিসু লায়েংবদা পৈশা য়াম্না চঙবনা মীয়ামদা অৰাবা কয়া মায়োক্নরি। মরম অদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ৰান ষ্টেট ৰান এইমস (এ আই আই এম এস) হায়বা পোলিসিগী খুদোংচাবা লৌরগা মণিপুরদা এইমস হোস্পিটাল অমা অথুবদা লীংবিয়ু। রিমস হোস্পিটালদি রিমস ওইনা অদুমক লৈহনসি।

মীয়ামগীদমক এইমস হোস্পিটাল অমা লিংখৎনবা লৈঙাক্না থবক পায়খৎপিয়ু। হোস্পিটাল শাফমগী–দমক লমগী চয়েৎনবা লৈরোই। মতম অমদা স্পোর্টস য়ুনিভসিটি শানবা লৈঙাক্না লৌশিনখ্রবা য়াইথিবী লৌকোলদা এইমস হোস্পিটাল শাবনা খুদোংচাবা অমসু ওইরগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ডা. প্রতিতা মেমোরিয়েল এৱার্দ ২০২৬, এক্সিলেন্স ইন সার্ভিস, ইমপ্লোয়ি ওফ দি ইয়ার, চিয়ামেন্স এৱার্দ ফোর সার্ভিস য়াওনা মথৌদা পূক্নিং চঙবা হোস্পিটাল অসিগী ষ্টাফশিংদা এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুম্নখি।

ডা. প্রতিতা চেরিটেবল হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স ইন্সটিট্যুটকী মেনেজিং দিরেক্টর ডা. মোনিকা মোইরাংথেমনা ফোঙদোকখিবদি হোস্পিটাল অসিদা ও পি দি, দাইগ্নোষ্টিক্কী খুদোংচাবা, ফিজিওথেরাপি, ফার্মাসি অমদি জন ঔসিদিগী খুদোংচাবা ফংহন্দুনা ঙসি ফাওবা মীয়ামগী সেবা তৌদুনা লাক্লি। হোস্পিটাল অসিনা রিলিফ কেম্প য়াওনা মফম কয়াদা চত্তুনা ফ্রি মেদিকেল কেম্পসু পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন (আই এম এ) সাউথ ইষ্ট মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা সি এম ও ওইরম্বা ডা. কেএসঐচ মঙলেম সিংহ অমদি মণিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ট ষ্টদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিরেক্টর ওইরম্বা প্রো. প্রভাকর লাইশ্রমসু মথংশিংনা অথোইবা মীথুং অমসুং ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

পনবা য়াই, ডা. প্রতিতা চেরিটেবল হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স ইন্সটিট্যুট অসি কুমজা ২০২২গী সেপ্টেম্বর ২৯ দা মতম অদুগী রিমসকী দিরেক্টর ওইরম্বা প্রো. সেখরজিৎনা মাইখুম হাংদোক্তুনা হৌদোকখি। রিমস ইম্ফালগী প্রোফেসার ওইরম্বা ডা. প্রতিতানা কুমজা ২০২১গী জনুৱারি ১০ দা লৈখিদ্রবা তুংদা মহাকপু নীংশিংবা ওইনা অমদি খুঙ্গংগী অৰাবদা মতেং পাংবা ঙন্নবা মহাক্কী মপোক নুমিৎতা হোস্পিটাল অসি হৌদোকখিবনি।

ডা. প্রতিতা মিনিষ্টর ওইরম্বা মোইরাংথেম হেমন্তগী লোইনবীনি।

বামোন অমুমচাগী পূক্নিং লৌশিং

## থাজবা

নৌনা লুহোংবা কুইদ্রিবা মতৌ মনাও অনীখক থবক অমা চৎলুবদগী ময়ুমদা হল্লক্লম্মী। মখোয়না ময়ুমদা হল্লকপগী লম্বী অদুদা পাক্লবা ইপাক অমা হি হোল্লগা লাম্থোকপা তারম্মী। মখোয়না তোরবান্দা লৈরম্বা হি অমদা তোংখৎলগা নুপা অদুনা হি অদু হোল্লগা ইপাক অদু লাম্থোক্নবা হোৎনরম্মী। অসুম্না মখোয় অনীনা ৰাখল নুংঙাইনা ময়ুম মায়কৈ পাংলকপগী লম্বীদা ইপাক অদুগী ইয়াই য়ৌরকপদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমা শিৎপা হৌরক্লম্মী। নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা হৌহল্লকপা ইথক ইপোম অদুদা হি অদু থোকথোক নোল্লম্মী। ফিভম অদু য়ৌরকপদা নুপী অদু কিবা অমসুং পাখৎপনা লৈফম চাফম খঙলমদে। অদুবু নুপা অদুদি য়াম্না মোং হাদনা করিসু ইতৌ তৌদবগুম লৈরম্মী। মতৌ অদুদা নুপা অদুদা নুপী অদুনা লাউরকই ‘করিনো নঙনা করিসু নীংঙাইবা তৌদনা লৈথোক্লিবা অসিবু। ঐখোয় মফম অসিদা শিবা তারে। নহাক করিনো অমদি তৌনবা খল্লুদা।’ নুপা অদু নুপী অদুনা ঙাংলিবা অদুগী পাউখুম পীবা তৌদনা হান্নগুম নীংঙাই মঙাইদনা লৈথোক্লম্মী। নুপা অদুগী মতৌ উবদা নুপী অদুনা লাউরক্লম্মী, ‘নুপা নঙবু ঙাউরব্রা? ঐনা ঙাংলিবসি করি অমতা তাদ্রবরা?’ নুপা অদুনা ৰা অমতা ঙাংদনা নাকলদা য়ানবা থাঙ মচা অমা শৎতোক্লগা নুপী অদুগী মখনাউ মপাদা থল্লগা হায়রক্লম্মী, ‘নঙ ঐবু কিদ্রা?’ নুপা অদুগী মতৌ অদুদা নুপী অদুনা নোক্লগা হায়রকই, ‘নঙবুদি কৈদৌবে কিদৌরিবা, ঐ খঙই নঙনা ঐবু নুংশি নহাক্কী থাঙ অদুনা ঐঙোন্দা শুকথিন থিল্লক্লোই হায়নসু থাজে।’ নুপা অদুনা হায়রকই, ‘ঐনসু থাজে ঈশ্বরনা ঐখোয়বু নুংশি ঐখোয়বু শোয়দনা কনবিগনি। নোংলৈ নুংশিৎ অসিদগী মহাক্না কনবিরে ফরে, কনবিদ্রে কৈশু কায়দে মরমদি পুম্নমক অসি মহাক্কী মখুৎতা লৈবনি। ঐখোয়না ইয়াইসিদা করি তৌরুগনি।’

থাজবা অমগা লোয়নন্না ঐখোয়না থাজজবা ঈশ্বর নৎত্রগা শেম্বিবা মপুদা পুম্নমক শিন্নথোক্লগা লেনবা পুন্সি মরেল অদুনা অৰা অনাগী কাখুদগী নাম্থোকপা ঙম্মী।

# ৰাংখেম কৈথেলদা মালেমগী হার্টকী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে
## হার্টকী লায়না চাদ ৮০ দি থিংবা ঙম্মিঃ অমর্জিৎ

থৌবাল, সেপ্তেম্বর ২৯ (এসএনএস)ঃ মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোকপগুম ষ্টেট অসিদসু দিষ্ট্রিক্ট হেলঠ সোসাইটি থৌবালনা শীন্দুনা দোন্ট মিস এ বিট হায়বা হিরমদা ৱার্ল্ড হার্ট দে ২০২৬কী থৌরম ঙসি ৰাংখেম কৈথেল কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।



থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুং ওইখিবা এদিস্নেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট (এ দি এম) থৌবাল অরিবম অমরজিৎ শর্ম্মনা হায়, মীওইবা খুন্নাইবু মাঙহনগদৌরিবা অসি হার্টকা মরী লৈনবা অনাবশিং অসিনি। অদুবু ঐখোয়না কিনিঙাই ওইদে। মরমদি হার্টকা মরী লৈনবা লায়না চাদ ৮০ দি থিংবা ঙম্মী। লায়না অসিনা লাক্ত্রিঙৈ মতমদা ঐখোয়না চেকশিনবা মথৌ তাই। অমদি ইশাদা চিংনবা লৈরগদি ঙন্না লায়েংহৌবা হায়বসিনা অফবা খোঙথাং ওইগদৌরিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, অনকপা হোস্পিটালশিংদা মতম চানা চত্তুনা হার্টকা মরী লৈনবা লায়নাশিংদগী মতম চানা ঙাকথোক্না হোৎনহৌসি।

থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট হেলঠ সোসাইটি থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট মিসন দিরেক্টরসু ওইরিবা চীফ মেদিকেল ওফিসার ডা. কে সি লুৱাং, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালগী কার্দিও–লোজিষ্ট ডা. লৌরেম্বম গাইত্রি দেবী অমদি দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার ডা. এম বিক্রমজিৎসু মথংশিংনা থৌরম মপু অমসুং ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

ফ্রি হেলঠ কেম্প অমসু পাঙথোক্তুনা অনাবশিংদা লেন্না ই সি জি, দাইগ্নোষ্টিক অমদি হিদাক লাংথকশিংগী খুদোংচাবা ফংহনখি। তুংদা থৌবাল কিয়াম সিফাইদা লৈবা বি আই আরশিং তর্ফতা হেলঠ সার্ভিসকী ষ্টাফশিংগা য়ুথ স্পোর্টিং ক্লব কিয়াম সিফাইগা ফুটবোল মেটচ অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

# কংলবা লৌবুক্তা ঈশিং ফংনবা থবক পায়খৎলুঃ লৌমী লূপ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এসএনএস)ঃ হৌজিক লৌউ শিংউগী মতম লোইশিল্লক্লে অদুবু নোং মরাং কায়না তাদবনা ঈশিং ফংদবদগী লৌফম অয়াম্বা লৈক্রক চৎপা য়াওরে। মদুনা মরম ওইরগা লৌমীশিং মীপাইবা পোক্লরে। মরম অদুনা মীয়ামগী খোঙজং অমদি হায়নবা ঙাইদনা মফম মতম চানা মরী লৈনবা লোয়শঙনা অথুবদা কংলবা লৌবুকশিং ঈশিং ফংনবা থবক পায়খৎলু হায়না মণিপুর লৌমী লূপ্না ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর লৌমী লূপকী সেক্রেটরী ঐচ ইবোবি সিংহনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, থা অনী অহুম নোং চুরবসু লৌকোল খরদদি দরকার ওইবা ঈশিংগী অৰাৎপা লৈবনা পোথোক চাদ ৬০ তানা ফংগদ্রা হায়বগী নুংনাংবা পোক্লরি। দাম অমদি বেরেজ কয়ানা ঈশিং পীবা ঙমদ্রে। মওং অমা নৎত্রগা অমদা লৌ পনখ্রবসু হৌজিক লৌ লোক্লমদাইদা ঈশিং কংবগী অৰাবা মায়োক্লবদগী নীংথিনা পোথোক পুথোকপা ঙম্লরোইদ্রা হায়বগী চিংনবসু পোক্লরে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, নোংজুগী ওইরিবা ফিভম অসিনা ইচাও থোক্লবা নৎত্রগা ইকং থোক্লবা মতমদা অৰাবা মায়োক্লগদৌরিবা অসি লৌমীশিংনি। নোং চুদনা থা কয়া লৈরিঙৈদা য়াদদুনা লৈরিবা আর এল আই পম্প হাউস শেমজিন্নবা, তুরেল লৌনম্বাল শেমজিন্নবা অমদি রিটেনিং ৱাল চন্নবা, দাম অমসুং ইথৈ লৌখোং, নালা কেনেল শেমদুনা থল্লবদি অহানবা অমসুং অনীশুবা লৌরোক্তা নত্তনা য়ুম ইংখোলগী এঞ্জাং নাপি থাবদা য়াম্না কান্নগনি অমদি ইচাও অমসুং ইকংদগীসু কনবা ঙমগনি। হৌজিক খুদোংথিরবা কান্দা হারৌ হারৌ চেন চোংবনদি শেঞ্জা থুমজাদা নুংঙাইগনি হায়না লৌই। মরম অদুনা ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙনা লৌমীশিংগী খন্দুনা থম্মোয় শেংনা ট্রান্সপরেন্ট লৈনা পীবা য়াবা খূৎশু খূৎলাই, ঈশিং পম্পশিং, শেলগী তেঙবাংনচিংবা পীবিয়ু হায়নসু চেরোল সিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# অচঙবা য়াইবী অমা থুপখিবদা য়াইবীলেন্না অৰাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এসএনএস)ঃ সগোলবন্দ নেপ্রা মেঞ্জোর লৈকাইদা লৈরম্বা নেপ্রম নুংকাংবা (বিহারি)না হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা লৈখিদবদা য়াইবীলেন কৈবী সনাপাৎনা অৰাবা ফোঙদোকখ্রে।

য়াইবীলেনগী থৌবুরেল য়েংখোম কুমার মঙাংনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, লৈখিদ্রবা নেপ্রম নুংকাংবা (বিহারি)গী য়াইবী থৰায়না মপুগী লৈকোলদা ইংনা চিক্লা লৈরুনবা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোকখিবা মীফমদা শরুক য়াখিবা থৌবুরেল অমসুং থৌমীশিংনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা মপুগী মফমদা থৌনিজখি।

লৈখিদ্রবা নুংকাংবা কুমজা ২০১১ দগী ২০১৫ ফাওবা য়াইবীলেনগী ঙমথং লুচিংবা ওইনা থৌ পুরম্মী। অদুগা ২০১৫ দগী ২০২৫ ফাওবা লুচিংবা ওইরম্মী অমসুং ২০২৫ দগী লৈখিদবা নুমিৎ ফাওবা পাওতাক পুরেল (চীফ এদভাইজর)সু ওইরম্মী। য়াইবীলেন অমসুং য়াইবীলেন চিলড্রেন হোমগীদমক কখোকপগা লোয়নন্না মশক থোকপা থবক কয়া তৌবিরম্মী লোয়নন্না মহাক্না লৈখিদবসি য়াইবীলেনগীদি মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা অচৌবা মাঙজবা অমনি হায়রি।

# নুমিৎ ৪০ নিগী ৱার্কসোপ লোইশিন্দুনা বসন্ত রাস উৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এসএনএস)ঃ অনোই শিন্দম শঙলেন্না শীন্দুনা গুরু পুখ্রম্বম ধনজিৎ লৈখিদবগী অনীরকশুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকপগা লোয়নন্না নুমিৎ ৪০ নি চূপ্পা চথুরকপা ৱার্কসোপ লোইশিন্দুনা বসন্ত রাস উৎখ্রে।



জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিগী দিরেক্টর পুখ্রম্বম বিলাসনা অথোইবা মীথুং, অনোই শিন্দম শঙলেনগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা সঙ্গিট নাটক একাদেমি এৱার্দি মৈস্নাম কামিনিকুমারনা থৌরম মপু, গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজগী হান্নগী প্রিন্সিপাল মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমি এৱার্দি রঞ্জিৎ অধিকারিময়ুম অমদি পালগী দিরেক্টরসু ওইরিবা সঙ্গিট নাটক একাদেমিক এৱার্দি নামৈরাকপা তিকেননা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

লৈখিদ্রবা গুরু পুখ্রম্বম ধনজিৎকী ফোটোদা লৈ কত্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়নন্না পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দিরেক্টর বিলাসনা হায়, হৌগৎলক্লিবা মীরোল অসিদা মণিপুর কলচরগী মমি তাহন্নবা হোৎনবদা অনোই শিন্দম শঙলেন্না লৌরিবা থৌদাং শীংথানিঙাইনি। লৈখিদ্রবা গুরু পুখ্রম্বম ধনজিৎনা হিংলিঙৈ মতমদা লৌরম্বা থৌদাং শীংথাবগী লোইরোই। গুরু অসিগী হোৎনজমন্না ঙসিদি মালেমগী ফম্বাক্তা শরুক য়াবা ঙম্বা লমদম অসিগী আর্টিষ্ট কয়া পুথোক্লে। ঙসি শিন্দম শঙলেন অসিনা বসন্ত রাস পুথোক্তুনা মীয়ামদা উৎকদৌরিবা অসিনা অদুক্কী মতিক মমল য়াম্বা অমনি হায়খি।

বসন্ত রাস উৎপগী থৌরম অদুদা অনোই শিন্দম শঙলেনগী চহী নৌরিবা আর্টিষ্টশিংনা তোঙান তোঙানবা পার্ফোমেন্স কয়া অমসু মীয়ামদা উৎখি।

# কবুই খৌশাগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এসএনএস)ঃ ইম্ফালগী হাওবম মরক ইরোম লৈকাইদা লৈবা কংলৈ শক্তম লাংবা কাঙলূপনা শীন্দুনা সেপ্তেম্বর থা অমা চূপ্পা চথুরকপা কবুই খৌসা ট্রেনিং প্রোগ্রাম লোইশিনবগী থৌরম লাক্লিবা ইরাই নুমিৎকী নুংথিল পুং ৫ দা ইম্ফালগী এম দি য়ু হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

কংলৈ শক্তম লাংবা কাঙলূপকী সেক্রেটরী চোংথাম রঞ্জিৎ খুমননা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী সি এম এ টিগী শেন্থংগা লোয়নন্না ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদু পাঙথোকখিবনি। ট্রেনিং লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়নন্না খনগৎলবা মহৈরোইশিংনা কবুই খৌসা খুদোল তম্বগা লোয়নন্না অঙাংশিং পূন্না থাঙ হাইনবসু খুদোল তমগনি হায়রি।

# এসেমব্লি টু ফিদ্দর সটদাউন তৌগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এসএনএস)ঃ ফয়ার বৃগেদ, বি টি পার্ক রোদতা ঐচ টি কন্দক্টর শিন্দোক শিঞ্জিন তৌগদবনা মরম ওইরগা লাক্লিবা ওক্টোবর ১ শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক পুং ৮ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা ৩৩/১১ কে ভি কংলা সব ষ্টেসন্না ফিদ তৌবা ১১ কে ভি এসেমব্লি টু ফিদ্দর পার্সিয়েল সটদাউন তৌগনি হায়রি।

মসিনা মরম ওইরগা জোনষ্টোন হয়ার সেকেন্দরি স্কুল, ইম্ফাল ট্রেজরি ওফিস, এম সেক্টর, ইম্ফাল ফয়ার বৃগেদ, মপাল কাংজৈবুং এরিয়াদা হায়রিবা পুংফম অসিদা মৈ ফংলোই হায়না এম এস পি দি সি এলগী মেনেজর সি এস টি – ১ না থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লি।

# ৱাংজিংদা ইরাবত নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এসএনএস)ঃ ৱাই ভি এ ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি অমদি নারেংবম ইবোতোম্বী মেমোরিয়েল ট্রষ্টনা পূন্না শীন্দুনা ১৩০ শুবা জননেতা হিজম ইরাবত নীংশিং থৌরম ঙসি ৱাই ভি এ কমপ্লেক্স ৱাংজিংদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট আর কে মেঘেন (সনায়াইমা), ট্রষ্টকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা এন দি পি এফকী প্রসিদেন্ট ডা. এন রাজিভ, থবক্তগী পোথাখ্রবা প্রোফেসার টি বাবুলাল অমদি প্রধান ওইরম্বা টি জয়কুমারনা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈনন্না আর কে মেঘেনন্না হায়, ইরাবতনা পামজরম্বা অপূনবগী শক্তম, মরৈবাকপু নুংশিজবা, অচৌ পিশক নাইদনা অমদি অচান মিরাই নাইদনা ইরৈপাক্কীদমক হোৎনজরম্বা কয়া অদু ঐখোয়না ইকায় খুম্নসি। ইরমদম অসিগীদমক খন্না ওইজবা থাদোক্তুনা মীরোৎ ফাওবা ওইবা ঙমখিবা লময়ানবা ইরাবতকী মতুং ইন্দুনা চৎলসি

# হেলঠকা মরী লৈনন্না ফ্রি কম্যুনিটি সার্ভিস পাঙথোকখ্রে

মোইরাং, সেপ্টেম্বর ২৯ (এসএনএস)ঃ লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল সেন্ট্রেল অমসুং লাইওন্স ক্লব ওফ মোইরাংনা খোংনাংথাবা য়ুনিভর্সিটি খুরাই অমসুং মসিগী এলাইদ য়ুনিট কংলৈপাক মেদিকেল নর্সিং ইন্সটিট্যুট, কোলেজ ওফ নর্সিং, কোলেজ ওফ ফার্মাসি, কোলেজ ওফ পেরামেদিকেলগী ষ্টাফশিংগী টেক্নিকেল সপোর্টকা লোয়নন্না হেলঠকা মরী লৈনবা ফ্রি কম্যুনিটি সার্ভিস প্রোগ্রাম হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা মোইরাংগী সেন্ট. এক্সভিয়র স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল সেন্ট্রেলগী সেক্রেটরী খুরাইজম প্রেমজিৎ সিংহ এম জে এফনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, সেন্ট. এক্সভিয়র স্কুল মোইরাংগী প্রিন্সিপাল অমসুং টিচিং ষ্টাফশিংগা খুৎশন্নদুনা হেলঠকা মরী লৈনন্না চথখিবা ফ্রি কম্যুনিটি সার্ভিস অদুদা আয়ুসকী মেদিকেল ওফিসার, ফার্মাসিস, নর্স অমসুং পেরামেদিকেল য়াওনা টেক্নিকেল ষ্টাফ ৩২ না শরুক য়াখি লোয়নন্না সেন্ট. এক্সভিয়র স্কুলগী ষ্টেন্দর এলভেন অমসুং টুয়েল্ভ মহৈরোইশিংদা মরুওইনা ফার্ষ্ট এইদ টেক্নিকশিং নীংথিনা খঙহনখি। অসিদসু নত্তনা মহৈরোইশিংগী ব্লদ সুগর অমসুং হেমোগ্লোবিন টেষ্টনচিংবসু লেন্না তৌখি। স্কুলগী অকোয়বা এরিয়াদা লৈবা মোইরাং লমখাইগী মীওইশিংদসু লেন্না মীৎ টেষ্ট তৌখি হায়রি।

হেলঠকা মরী লৈনবা কম্যুনিটি সার্ভিস অসি মখা তানা ওক্টোবর ১৭ তা থাঙ্গদা, ওক্টোবর ২৪ দা নিংথৌখোংদা, ওক্টোবর ৩১ দা শগোলমাংদা, নবেম্বর ৭ তা য়াইঙংপোকপিদা, নবেম্বর ২১দা লাংমৈদোংদা, দিসেম্বর ৫ দা ৱাংজিংদা, দিসেম্বর ১২ দা ককচিং ৱাইরিদা অমসুং দিসেম্বর ১৯ দা থাঙ্গ করাংদা মথং মথং পাঙথোক্কনি হায়রি।

# অঙ্গনৱাদি হেল্পর অমসুং ৱার্কর লৌবগী ফল ককথৎপিগনু

জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ২৯ (এসএনএস)ঃ অঙ্গনৱাদি হেল্পর অমসুং ৱার্কর খরা লৌনবগীদমক পাঙথোকখিবা রিক্রুইটমেন্টকী ফল থা অসিগী ২৫ দা লাওথোকখিবা অদু কেন্সেল তৌবিয়ু হায়না ফোঙদোরকখিবা ৱাফম য়ানিংদে অদুবু অকক্লবা ক্রাইটেরিয়া শুদবশিং অদুগীদমক লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়না ওল জিরিবাম অঙ্গনৱাদি ৱার্করস এন্দ হেল্পরস সেলেক্টেদ কেন্দিদেট বেজ ২০২৬ এসোসিয়েন্না ফোঙদোকখ্রে।

জিরিবামগী লখিপুরদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এসোসিয়েসন অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট এন জি অঞ্জুলি সিংহানা হায়, থা অসিগী ২৫ দা অঙ্গনৱাদি ৱার্করস অমসুং হেল্পর লৌবগী ফল লাওথোকখিবা অদু জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা কেন্সেল তৌবিয়ু হায়বা ৱাফম য়ানিংদে। করিগুম্বা ইলিজিবল ক্রাইটেরিয়া য়ৌদবা য়াওরম্বা য়াওরবদি অকক্লবা খরা অদুতমক লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবিয়ু।

মহাক্না মখা তানা হায়, কুমজা ২০২২ গী ৱার্কর অমসুং হেল্পর লৌবগী মতাংদা কোর্টতা কেস লৈবনা ঙসি ফাওবা ফল লাওথোক্তনা লৈরি। চৈরক অসিদা হন্দক অমুক ৱার্কর অমসুং হেল্পর লৌনবগীদমক রিক্রুইটমেন্টকী ফল লাওথোকখিবা অদু কেন্সেল তৌরবদি কেন্দিদেটশিংনা অৰাবা কয়া মায়োক্নরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ওল জিরিবাম অঙ্গনৱাদি ৱার্করস এন্দ হেল্পর সেলেক্টেদ কেন্দিদেট বেজ ২০২৬ এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্টনা কেঐচ বিদ্যশ্বরি, ভাইস প্রসিদেন্টনা এনজি অঞ্জুলি সিংহা, জেনরেল সেক্রেটরীনা কেঐচ রঞ্জনা, জোইন্ট সেক্রেটরী টিঐচ কবিতা, এল নিরমলা অমদি মেম্বর ওইনা মীওই ২০ না কমিটি শেমখ্রবনি।




SL/Sush/08-07 Oct

# জিরিবামগী মীয়ামবু য়োম্থোকপগা চপ মান্নেঃ বুধ

জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ২৯ (এসএনএস)ঃ জিরিবাম এ সিগী এম এল এ অসব উদ্দিন্না মেদিয়াদা মহাক্কী পৱার অমত্তা লৈতে। অদুনা মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বা তৌবা ঙমদে হায়না ফোঙদোকখিবা অদু জিরিবামগী মীয়াম্বু য়োম্থোকপগা চপ মান্নে হায়না জিরিবাম এ সিদা কোংগ্রেস মীরেপ ওইনবা থৌরাংলিবা থৌদাম বুধনা ফোঙদোকখ্রে।

জিরিবামগী বাবুপারাদা লৈবা ওল জিরিবাম ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা থৌদাম বুধনা হায়, এম এল এ অমনা মীয়ান্না পীখিবা মেন্দেদ অদু থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রে। তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কাঙলুপ কয়ানা খুন্দাবা লমদম অসিদা এম এল এনা কাঙলূপ ফুরুপ নাইবা মওংদা অপিকপা পোলিটিক্স তৌহন্নিংদে। হৌজিক লৈরিবা কাঙলূপকী ইরাং অসি মীওই খরনা কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নলা লৈবা য়াদনবা শীল্লকপা লাল্লোংনি হায়না লৌই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

SPACE COACHING CENTRE
- SCIENCE REVISION FOR CLASS X & XII
- SOCIAL SCIENCE REVISION FOR CLASS X & XII
- HINDI TUITIONS CLASSES & SPOKEN COURSE

IK BOYS HOSTEL
- NEAT AND CLEAN ROOMS
- PEACEFUL SURROUNDINGS
- HOMELY FOOD

CONTACT - KWAKEITHEL HEINOUKHONGNEMBI
7005285138 / 9615455360

SL/Sush/17 July -Jan-16

সেকন্দ সর্কল–৪৭
চাকঙাই ৱারী–৩৮

ঙানু থেঙ্গু



অইবা অমসুং অয়েকপা
নোং লান




INGKHOL TABA YABA LOUPHAM AMA YONJARI..
ইংখোল তাবা য়াবা লৌফম অমা য়োঞ্জরি
Ingkhol taba yaba loupham ama yonjari. Taothong gi Village Number 95 ta Point 120 chaoraba loupham asi lambigi khudongchaba phangle. Mapham na Lamsang Lamkhaidani aduga Lamshang Lambal Changkhibagi Opposite mayada leibani. Ingkhol Asibu Leibiningba singna Point machet oina loubagi khudongchabasu pijari. Ingkhol asibu pambibasingna makhagi pijariba number asida contact toubirakpa yagani.
Call Now
9774181232 / 6909126530 / 7005072510

SL/Ratan/24-03

# চহী ৩ হেন্না মৈ চাক্লিবা মণিপুরদা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপগী কান্নবা করিনোঃটি ঐচ সোমোরেন্দ্রো

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এস এন এস) ঃ চহী ৩ হেন্না মৈ চাক্তুনা লৈরিবা মণিপুরদা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপগী কান্নবা করিনো হায়না ওল মণিপুর য়ুথ প্রোটেক্সন কম্মিটি (এ এম ৱাই পি সি ও)গী জেনরেল সেক্রেটরী টিঐচ সোমোরেন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, চহী ৩ হেন্না হাৎন-শুনবা, য়ুম মৈ থাবা, পাক্তক্লনা খুল কয়া মুখৎলক্লিবা অসিগুম্লবা মণিপুরগী ফিভম অসিদা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লবা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা হোৎনরক্লিবা অসিগী নুংগী ৱাহন্থোক করিনো? হৌখিবা ২০২৩গী মে ৩দা চিন-কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিংনা মৈতৈশিংগী মথক্তা অতন্ননা চখ্থরকখিবা লান অসি চহী ৪ ফাজিল্লক্লবা ফাওবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ চৈরক্তা চিন কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিংনা অমুক চীংগী য়েলহৌমী ইচিন ইনাওশিংগী মথক্তসু লেপ্তুনা লান তৌরকপা অসিনা তাকপদি মণিপুরদা খুন্দারিবা য়েলহৌমী চীংমী তম্মী মীয়ামশিং লৈঙাক্লা নমথনবা অমদি মুখৎনবা চখ্থরকপা থৌওংনি হায়না লৌদবা ঙক্লোই। আই দি পিশিংগী মীৎলুগী পিরাং কংদ্রিঙৈ অৱাবা চৈরক অসিদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মীয়াম্বু করিসু নাচুংদনা লাক্লিবা নবেম্বর ২১দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না শীল্লিবা সঙাই ফেষ্টিভেল অসি মীয়ান্না সপোর্ট তৌফম থোক্লিব্রা? অসুক ৱানা লেল্লিবা পূন্সি মহিং করন্না কোকহনসিগে হায়বগী যৌশিল পায়খৎপগী মহুত্তা মীয়ামদা উৎ চায়দুনা ইং-তপ্পা হঞ্জিল্লে হায়বা য়ানবা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লবা শীল্লিবা অসি থম্মোয় শোক্লা য়ানিংদে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপগী ৱারেপ লৌবীগনু, মীয়ামগী অৱাবা কয়াবু কুপশিন্নবগীদমক টুরিজম চাউখৎনবগী মিংদা মীওই খরা অমদি এজেন্সি খরা নুংঙাইনবা শীনবা থৌরাং তোকপীয়ু হায়রি।

# ৱার্কসোপ লোইশিন্দুনা 'অউনপোৎ' উৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এস এন এস) ঃ পোরোম্পাৎ থৱানথা লৈকাইদা লৈবা মণিপুর য়ুথস কলচরেল ওর্গনাইজেসন মাইকো লিংখৎখিবগী ২৭শুবা মপোক নুমিৎকী থৌরমগা লোয়নান দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টকী তেঙবাং (সি এম এ টি) স্কিমগী মখাদা 'অউনপোৎ' হায়না মিংথোনবা প্লেদা থা অমা চুপ্পা চখ্থরকপা ৱার্কসোপ কম প্লে প্রদক্সন উৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী বি টি রোদত লৈবা রুমহল থিয়েটরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মাইকোগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম ইবোশিক সিংহ, মমিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি এৱার্দি পিঐচ গুনচন্দ্র শর্ম্মা, রুপমহল থিয়েটরগী ভাইস চেয়রমেন লোইতোংবম ব্রজ মোহোন, থিয়েটর এক্টিভষ্ট এম সি থোয়বা অমদি ইলাইট গ্রুপ ওফ পার্ফোর্মিং আর্টিষ্টকী দিরেক্তর সোবিমচা ইন্দনকুমারনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# এ আর পার্সনেল ১ লৈখিদ্রে, ৪না...

*লমায় ১গী মখা...*

প্রেসনা ফংবা থাজবা য়াবা পাউগী ছোর্স অমগী মতুং ইন্না থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ৬.৩০ রোম তাবা মতমদা ২১শুবা অসাম রাইফলসকী পার্সনেলশিংনা নম্পোং সার্কলগী নম্পোং নলাগী মনুং চনবা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংগী ফেন্সিং খাবগী থবক পেট্রোলিং চত্তুনা য়েংশিনবগী থবক চখ্থরিঙৈ খঙহৌদনা শকখঙদবা খূৎলায় পায়বশিংনা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক্ত চখ্থখিবনি।

অহানবগী ওইনা ফংবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা অসাম রাইফলস অদুদি জাংখোকাই কুকি (৪২) কৌই, শোক্লবা সেক্যুরিটি পার্সনেল ৪ অদুনা হৌজিক হৌজিক মথৌ তাবা অনা লায়েংগী থবক চখ্থরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# মণিপুরগী ইরাং খরমখৈ শাফরক্লে, হান্নগুম ...

*লমায় ১গী মখা...*মন্দল অমদি আই সি দি এস ইম্ফাল ৱেষ্ট ১না শীন্দুনা তাকয়েল কোলোম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরমদা অঙ্গন মিলন সেবাগী থৌরমদা ৱাফম অসি মহাক্লা ফোঙদোকখিমনি।

থৌরম অদুদা মহাক্লা মখা তানা হায়, হৌজিক লমদম অসিদা ওইরিবা ফিভম অসিদা মীয়ান্নসু অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। অদুবু পাল্লিবা গভর্ণমেন্ট অসিদা মীয়ান্না থাজবা থম্বীয়ু। মতম খরগী মনুংদা থোক্লিবা ইরাং অদু ঙসিদি তপ্পা তপ্পা হন্থরক্তুনা তঙদু লৈতাবসি হঞ্জিল্লকপা হৌরে। খৎনা চৈনবা হায়বসিদি ইমুং মনুং ইচিল ইনাওশিংগী মরক্তা ফাওবা থোক্লিবনি। কুমজা ২০২৩দা থোকখিবা লান অদুনা মরম ওইরগা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা ট্রষ্ট দিফিসিট খরা লৈবনা চথোক চৎশিন তৌবদা ৱাখলদা চীংনবা খরা লৈবগী ৱানি। মতমগী মতুং ইন্না মসিসু ফরক্কনি। হায়ৱেশিংসু লোইনা হাংদোরক্কনি। মসি পূরক্লবা হোৎনরিবা মণিপুর লৈঙাক মরু ওইনা চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দগী পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা মীয়াম পূন্না শৌগৎমিন্নসি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# এন এস সি এন অমদি আর পি এফনা...

*লমায় ১গী মখা...* জি পি আর এন (ৱাই এ গ্রুপ)গী এম আই পিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। চেরোল অদুগী মতুং ইন্না ঙসি সেপ্টেম্বর ২৯গী অয়ুক পুং ৬.৩০ রোম তারকপদা চখ্থখিবা এটেক্ত অদুদা ২১শুবা অসাম রাইফলসকী জৱান ১ শিখিবগা লোয়ননা জৱান কয়া অশোক অপন নংহনখিবনি। জোইন্ট মিলিটরি এক্সন চখ্থখিবা মফম অদুদগী এ কে রাইফল অমসু ফংবা ঙমখ্রে। মায় পাক্লা চখ্থখিবা এটেক্ত অদুদা শরুক য়াখিবা কমরেদশিংগীদমক হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# ৱার্ল্ড হার্ট দেগী থৌরম ...

*লমায় ১গী মখা...*

সিটেজেন্স সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট খাঙেম্বম রাজেন্দ্রো, সরস্বতি কোলেজ পাঙ্গৈগী ফাউন্দর কম চেয়রমেন প্লস ফিজম, মণিপুরগী অহানবা হার্ট সার্জন্ট ডা. ক্ষেত্রিময়ুম কালা য়াওনা তোঙান তোঙানবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

গ্লেনমার্ক ফার্মাস্যুটিকেল পি ভি টিনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী মনুং চন্না হার্ট মশা মউ ফনা লৈহন্নবা হায়দুনা মীয়াম পুন্না ৱাশক ১০সু লৌখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ডা. কালানা হায়, মণিপুরদা হার্টকী অনাবগী মশীং অসি নোংমা নোংমগী লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। মশাগী চহী ২০ শুদ্রিবা মীওইশিংদা হার্ট এটেক তৌবগী চাংসু হেনগৎলক্লি। মরম অদুনা ঐখোয় খূদিংমক্লা মতম চানা চেকশিন থৌরাং লৌখত্তুনা হার্টকী অনাবদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবা হোৎনহৌসি হায়খি।

# মবুং মচনগী হোৎনজমলনা কৌক্তে থাও...

*লমায় ১গী মখা...*

মতাংদা পাউচে অসিগা ৱারী শানবদা কৈশাম্পাৎ কৈশাম লৈকাইদগী ক্ষেত্রিময়ুম চন্দ্রকুমার অমদি ক্ষেত্রিময়ুম ইবেয়াইমগী মচানুপা ক্ষেত্রিময়ুম তোজোনা হায়, থম্মোয় শেংনা থবক তৌবদা মায় পাক্লোইদবা লৈতে। প্রোব্লেম খূদিংমক্কী সোলুসন লোয়না লৈগনি। প্রদক্ত অমা পুথোক্ত্রিঙৈ মাঙওইননা পুথোক্কদৌরিবা প্রদক্ত অদুনা মীয়ামদা পীগদৌরিবা কান্নবা অমদি সোলুসন অদু করিনো হান্না থিদোকপা চঙই। মীয়ান্না থেংনরিবা প্রোব্লেম অদু খঙদোকতুনা প্রদক্ত পুথোক্লবদি ঙায়নরুবা তৌদনা সোলুসন পান্থা মীয়ান্না অদুমক পুথোক্লিবা প্রদক্ত অদু শোয়দনা থিরক্কনি। থম্মোয় শেংনা থবক খূদিংমক তৌরবদি ঐখোয়না তান্নরুদ্রবসু মশা মথন্তা অদুমক শেলনা ঐখোয়বু তান্নরক্কনি।

মহাক্লা হায়, লৈঙাক অমদি মরী লৈনবশিংনা লমদম অসিগী হৌগৎলক্লিবা ওন্ত্রাপ্রিন্যুরশিংবু মতম চানা মতেং পাংহন্নিংই। বিজিনেস হৌদোরকপা মতমদা নৎত্রবসু পিক টাইম লাকপা মতমদা লৈঙাক অমদি মরী লৈনবশিংনা মতেং পাংবীবা চঙই। শেল খক্তা নত্তনা বিজিনেস গ্রোথ তৌনবা হোৎনবদা মরী লৈনবশিংনা মমিংখক্তগী নত্তনা তশেংনা থবক ওইনা মতেং পাংবীবা হায়বসি তঙাইফদবা অমনি। হৌগৎলক্লিবা ওন্ত্রাপ্রিন্যুরশিংনা ফাইনান্সিয়েল এসিষ্টেন্সকীদমক মরী লৈনবশিংগী মফমদা চঙজরুবা মতমদা নীবা লাকপা ওইনা উবগী চৎনবী অমা লৈরিবা অসি থাদোকহন্নিংই।

লৈশিং হায়রিবা কৌক্তে থাও অসি মতৌ করন্না পুথোরকখিবনো হায়বগী মতাংদা ক্ষেত্রিময়ুম তোজোনা হায়, কুমজা ২০২১দা মীপুম খূদিংমক্লা মায়োক্লখিবা কোভিদ ১৯ লায়না লায়চৎ মতমদা দুকান নীংথিনা হাংদবা য়াওনা থেংনখিবা চৈথেং অদুনা মরম ওইরগা কৌক্তে থাও ফাওবা ফংদবগী ফিভম অমদা লাকখি। মতম অদুদগী হৌনা ঐহাক্কী ইচল জয়শ্রীগা তান্নদুনা কৌক্তে থাও অমা পুথোক্লিংবগী ৱাখল্লোন অসি চুংশিন্নবা হৌরকখিবনি। ওনলাইনগী খূত্থাংদা কৌক্তে থাও শাবগী মরমদা লাইরিক কয়া পাদুনা রিছার্স তৌবা হৌখি। কয়ারক হন্না মায়থিরবা মতুং হৌজিক পুথোক্লিবা লৈশিং থাও অসিগী ফোর্মুলা অসি মায় পাক্লা পুথোকপা ঙম্লকখিবনি। লৈ অমদি মনা মশিং হায়বা ৱাহৈশিং অসি পূনশিল্লগা 'লৈশিং' হায়না মীংথোনবনি। মরুওইনা য়ুবি থাও, করিলিফ, রোজমেরি, তিলহৌ, ভেটিভর রুট (চরোৎ মখল অমা), এলোবেরা, মনা মশীংদগী শুংবা থাও অমদি ভিটামিন 'ই'নচিংবা মচাকশিং অসি শীজিন্নদুনা কৌক্তে থাও অসি শেম্বনি। গুজরাটতা থাদুনা লৈঙাক্লা শকখঙলবা এন এ বি এল লেবোরেটোরিদা থাদুনা কৌক্তে থাও অসি শাবগী ফোর্মুলা অসি লেব টেষ্ট তৌদুনা মায় পাক্লবা মতুং প্রদক্ত অসি পুথোকপনি। থাও অসি শাবদা শীজিন্নরিবা য়ুবি থাও নত্তবা অতোপ্পা রোজমেরি, ভেটিভর রুট, এলোবেরা, তিলহৌ, করিলিভনচিংবা মচাকশিং অসি য়ুমদা থাজবা ঙাক্তনি। 'লৈশিং' হায়রিবা কৌক্তে থাও অসিনা মরু ওইনা শমখোঙ থোক্তোকহনবা, শমখোঙ হাক্তৎচবা ফহনবা, শমগী মপাঙ্গল কলহনবা, লুপৌ থাংহন্দবা, শম তেকপা অমসুং শম কেনবা ফহনবনচিংবা কান্নবশিং অসি কষ্টমরশিংদা পীরি। কৌক্তে থাও অসি অহানবা পুথোকপা মতমদদি ঐখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিং হান্না শীজিন্নদুনা কান্নবা ফংব্রা হায়বদু য়েংবা হৌখি। ইশাদা কান্নবা খঙলবা মতুং খঙন-চান্নবা মীওইশিংদা শীজিন্নহনবা তপ্পা তপ্পা হৌরকপদগী ঙসিগী ফিভম অসি য়ৌরকখিবনি। হৌজিক্তি মণিপুরগী মপান্দা লৈবা মীওইশিংনা থাবীরকউ হায়বদগী প্রদক্ত অসি কষ্টমরদা য়ৌহনবা ফাওবা য়াওরে। মরু ওইনা জয়শ্রী ইন্টরপ্রাইজেসনা ফোকস তৌরিবা অসি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি দাইরেক্ত কষ্টমরদা প্রদক্ত অসি য়ৌহনবনি। প্রদক্ত অসিগী ত্রেদমার্ক লাইসেন্স লৌনবগী থবক থৌরমসু চখ্থবা লৈরে।

মহাক্লা হায়, নীলকুঠিদা লৈবা এম এস এম ই টেক্নোলোজি সেন্টরদা পরফ্যুম অমদি ইসেন্সিয়েল ওইল শাবগী মতাংদা ত্রেনিং য়াওরকপা লৌখি। মফম অদুদগী কান্নবা লৌশিং কয়া অমসু ফংবা ঙমখি। 'লৈশিং থাও' অসি মায় পাক্লা পুথোরকপদা মসিনসু অচৌবা মতেং অমা ওইরিবনি হায়না লৌবা য়াই। হৌজিকমক্কী ওইনদি কৌক্তে থাও অসি পুথোকপগী তোঙানবা ফেক্টরি সাইট অমা লৈত্রি। য়ুমদা ইমুং মনুংগী মীওইশিং মতেং পাংনদুনা প্রদক্ত অসি পুথোকপনি। জয়শ্রী ইন্টরপ্রাইজেসকী ওইনা তোঙানবা দুকান অমা লৈবা নৎত্রি। প্রদক্ত অসিবু পান্থা মীওইশিংনা পাউ ফাওরল্লবা মতুং দিমান্দগী মতুং ইন্না সপ্লাই তৌবনি। ইন্টরপ্রাইজেস অসিগী ওইনা মীয়ামদা কান্নবা পীগদবা শম তৈনবা সিরম অমদি হিয়র ক্রিম শাবগী থবক থৌরম পায়খৎনবা পান্দমসু থল্লি হায়খি।

লমদম অসিদা শাজবা পোৎলমশিং য়োকখৎনবা হোৎনবদা ঐখোয় খূদিংমক্লা থৌদাং লৌমিন্নবা মথৌ তারি। মীপাল তাংদবা মণিপুর অমা ওইনবা হোৎনবদা হৌগৎলক্লিবা নহা ওইরিবা ওন্ত্রাপ্রিন্যুরশিংবু লৈঙাক অমদি মরী লৈনবশিংনা মতম চানা য়োকখৎপগী তঙাইফদবা লৈরি। লৈঙাক্লা মমিংখক্তগী নত্তনা তশেংনা থবক ওইনা পাঙথোক্তুনা ৱাখল লৌশিং লৈরবা লমদম অসিগী নহাশিংবু মতম চানা খূৎ পায়দুনা চিংখৎনবা হোৎনহৌবা মথৌ তারি।

# মীতৈ ময়েক ২৭ নত্তবা গেজেট নোটিফিকেসন থোক্তবা ময়েক্তা পূয়া নৈনবা মতাং চাদ্রিঃমীলাল

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এস এন এস) ঃ মীতৈ ময়েক ২৭ নত্তবা লৈঙাক্লা শকখঙদবা গেজেট নোটিফিকেসন থোক্ত্রিবা ময়েক অমত্তদা পূয়া পাদুনা নৈনবা মতাং চাদ্রি হায়না মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়নশিল্লোল অপুনবা লুপ (মীলাল) কংলৈপাকনা ফোঙদোরক্লি।

লুপ অসিগী সেক্রেটরী পব্লিসিটি সিঙাময়ুম চাউবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লৈঙাক্লা গেজেট নোটিফিকেসন থোক্তুনা চৎনখ্রবা ময়েক ২৭ অসিদা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংগী য়েংলগা চয়েৎনবা পীনবা হোৎনরোইদ্রবনি। দিপার্টমেন্ট অসিনা লমদমসিগী লোল অমসুং ময়েক অসিবু থম্মোয় শেংনা নুংশিবা ওইরবদি অতোপ্পা ময়েক্তা লৈরিবা পুয়া খূদিংমক ময়েক ২৭ তা লোয়না ওন্থোকপিরগা মহৈরোয়শিং অমসুং মীয়ামদা য়াইফনবা হোৎনবিগদবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লুপ অসিনা কংলৈপাক্তা লমদমসিগী অমত্তা ঙাইরবা লোল অমসুং ময়েক অসিবু করিদা শোয়খিগদগে হায়দুনা ঙসি ফাওবা শেন্নদুনা লাক্লি। ঙসিদি হৌরক্লিবা মহৈরোই কয়া এমএ য়ৌখিদুনা পিঐচদি ফাওবা তৌনবা য়াওখ্রে। ঙসিদি মহৈরোই খূদিংমক মীতৈ ময়েক ২৭ মপুং ফানা হৈরক্লে। অদুবু লায়বক থিবদি মরকসিদা আর্ট এন্দ কলচর গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দাইরেক্তরনা সেপ্টেম্বর ২৪ দা থোকখিবা নোটিশ অমনা থা ২ গী পুয়া, রিদিং ওফ আর্কিক মৈতৈ / মীতৈ ময়েক স্ক্রিপ্ট (পূয়া) লাষ্ট সবমিসন ওক্টোবর ৮ হায়না থোক্লকখিবা অসিগী মতাংদা মীলালগী একজিক্যুটিভ মীফমনা কুপ্পা খন্নরবা তুংদা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টগী দাইরেক্তরদা চেরোল থাখ্রে।

চেরোল অসিনা হায়, হৌজিক হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংদা চম্মনগদবা মীতৈ ময়েক ২৭ নত্তনা অতোপ্পা লৈঙাক্লা শক খঙবা গেজেট নোটিফিকেসন থোক্তবা ময়েক অমত্তা পুয়া পাদুনা নৈনবা মতাং চাদ্রি। তঙাইফদবা পুয়া অদু মহৈরোয়শিং দা খঙহন্নিংবা লৈরগদি হৌজিক লৈঙাক্লা শক খঙদুনা তম্নরিবা ময়েক ২৭ তা হন্দোকপিদুনা নৈনবিয়ু, তাকপীয়ু। মসিদা করিসু অকায়বা লৈতে হায়রদুনা পুয়া পাবা নৈনবা খূদিংমক তৌগনি থৌরাংলিবা অসি তোকপিয়ু। মীলালনা লমদম অসিগী মহৈরোইশিংদা মপুং ফানা মীতৈ ময়েক তমহন্নবা হোৎনবদা ২০০৫ তা মণিপুর লৈঙাক্কী মথক্তা চঙশিনখিবা খোঙজং ঙসিসু লেংদনা মদুগী থৌনা লৈরি হায়রি।

# কেবিবু মীংচৎ থীহন্নবা হোৎনরম্বা মীওই...

*লমায় ১গী মখা...*

মশিং য়াল্লবা মৈরা পায়বীশিংনা শীন্দুনা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উনবা অমদা এস পান্থোই কৌবী মৈরা পায়বী লুচিংবী অমনা হায়, খুরাই কোংপাল সাজোর লৈকাইদগী মশাগী চহী ৬০ শুরবা পাওনম ধনেশ্বরনা পি প্রেমানন্দ হায়বা ফেসবুক একাউন্ট অমা হাংলগা নাওরিয়া পাখঙলাকপা কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ এস কেবিবু মীংচৎ থীবা য়াবা ফজদবা ৱাহৈ ৱাতা কয়া শীজিন্নদুনা করেম কথাইনবা য়াওনা তৌরক্লিবা থবক কয়া অসি নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সিদা লৈরিবা মমা ওইরিবা মৈরা পায়বীশিংনা য়ানিংদে। অসিগুম্বা নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সিদা লৈরিবা মীওই লিশিং ৫০ হেনবগী মীহুৎ ওইনা লৈরিবা এম এল এ অমদা চখ্থরক্লিবা থৌওং অসি নুপী খুন্নাইবু শীংনবা অমদি থওই উশিৎতবনি হায়না লৌই।

অসিগুম্বা নুপী খুন্নাইবু উশিৎতবগী মথক্তা মীয়ামগী মীহুৎ অমবু মীয়ান্না লান্না উহন্নবা হোৎনরিবা মীওই অসিগী মথক্তা সাইবর ক্রাইম পুলিসনা অকনবা এক্সন লৌগদবনি। মদু নত্তবা তারগদি অসিগুম্বা নুপী খুন্নাইগী মায়োক্তা থবক তৌবা অসি পাঙয়াদা য়াবা ওইনা খন্দুনা মখা তানা অতোপ্পা মীওইশিংনসু মতৌ তল্লক্তুনা অতোপ্পা নুপীশিংদসু চখ্থরকপা য়াই। মরম অসিনা হীরম অসিদা মরী লৈনবশিংনা অকনবা থবক লৌখৎপীয়ু। লোয়ননা লমদম অসিদা লৈরিবা সোসিয়েল মেদিয়াবু পায়রিবা মীওইশিং মরু ওইনা নুপা ওইবশিংনসু অসিগুম্বা মথোং হুক্তবা থবক অসি মখা তানা কনাগুম্বা অমত্তনা তৌবিগনু। মণিপুর অসি নুপীনা হীরম কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌবা অমদি নুপীবু থাক ৱাংনা থম্বা খুন্নাই অমনি হায়বসি কাউবিগনু হায়খি।

# শগোল ৮ শিরে, মীৎয়েং ...

*লমায় ১গী মখা...*

পাঙথোকপদা শুপ্নতগী পোনি মশিং ১,০৮৯ খক্তমক ওইদুনা মাঙখিবা য়াবগী অকিবা লাক্লবা মতম অসিদা ইখঙ খঙহৌদনা থা অসিগী ১৩দা ককচিং দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা ৱাবগাইদা শগোল ৮ শিখ্রে। শিরিবা শগোলশিং অসি করি করম্বা লায়নানা লৈখিদবনো হায়বদু খঙদোকপা ঙমদ্রি। থৌদোক অসিবু এসোসিয়েসনননা হকথেংননা য়েংশিল্লুবা খক্তা নত্তনা ষ্টেট লৈঙাক্কী ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টগী মায়কৈদগীসু কুপ্পা য়েংশিনবা খক্তা নত্তনা করি লায়নানো শগোলশিং অসি শিরিবনো হায়বদু খঙদোকপা ঙম্নবা ব্লাদ সেম্পল থাখ্রে। লায়না অসিনা শগোলগী মখোঙ অমদি থাগী শরুকশিংদা পোম্বা অমদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবগী মওং উবা ফংখি। অমদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না অসি অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্তশিংদা শন্দোরকপগী ৱাফম লৈত্রি। মরম অসিনা শগোলবু নুংশিবিবা শগোল লোইরিবশিংনা মাগী মাগী শগোলশিংবু চেকশিন্না শেন্নবিয়ু হায়খি।

মসিদা নত্তনা ষ্টেট গেমস অমা ওইনা শকখঙখ্রবা পোনিবু কন্ননবা মতিক চাবা শজিক থাকফম অমদি শান্নফম থম্বীয়ু। লোয়ননা লৈঙাক্কী ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্ট অসিদা শগোলগী এক্সপার্ট অমত্তা লৈত্রিবা অসিদসু মীৎয়েং চঙদুনা দিপার্টমেন্ট অসিদা শগোলগী এক্সপার্ট থম্বীয়ু হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পোলো মশান্না অসিবু শান্নরিবা শান্নরোইশিংবু লৈঙাক্লা থবক কৌরকপা মতমদা অতোপ্পা মশান্নশিংগী শান্নরোই কয়াদা পীরিবা খূদোংচাবশিং অদুগুন্না পোলো শান্নরোইশিংবু ফংহনবিয়ু হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

# ওক্টোবর ১০ ফাওবদা লেজিসলেচর য়াওবা ...

*লমায় ১গী মখা...*

শীন্দুনা পাঙথোকখিবা কন্সলটেটিভ মিটিং অদুগা মরী লৈননা কে জেদ সিগী চেয়রমেন হেনলেনথাংনা হায়, ঙসি কাংপোকপিদা পাঙথোক্লিবা কন্সলটেটিভ মিটিং অসি চুরাচান্দপুর, টেংনৌপল অমসুং চান্দেলদসু হান্ননা পাঙথোকখিবা লৈখ্রে। মিটিং অসিনা হান্নদগী কুকি জোশিংনা তাল্লিবা দিমান্দশিংগী মতাংদা হেন্না খোঙফম চেৎশিন্ননবা পাঙথোকপনি। ঙসিগী মীফম অসিনা কুকি জোশিংনা হান্নদগী তান্দুনা লাক্লিবা লেজিসলেচর য়াওবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি দিমান্দ হেন্না চেৎশিন্নবা ৱারেপ্পরে। মরম অসিনা লাক্লিবা ওক্টোবর ১০ ফাওবগী মনুংদা দিমান্দ অসি পীদ্রবদি মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিন্নবা অমত্তা ওইনা ৱারেপ্পরে। অনীশুবা পোইন্টতা কুকি নেসনেল ওর্গনাইজেসন (কে এন ও) অমসুং য়ুনাইটেদ পিপল ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) অনীগা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা চখ্থরিবা পোলিটিকেল দাইলোক কে জেদ সিনা শৌগৎলি। অদুগা লুপ অনী অসি নত্তবা অতৈগদি শৌগৎলোই হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

# নৌরিবা অঙাং অনী হাৎখিবা ত্রোংলাওবীগী...

*লমায় ১গী মখা...* ফারবা থাংমাং হাওকিপ ইম্ফালগী স্পেসিয়েল এন আই এ কোর্ট-২দা পুথোক্লবা মতুং নুমিৎ ১২নিগী ওইনা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথখ্রে। অসিদা নত্তনা থৌদোক অসিগী মতাংদা এন আই এনা মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চথুদুনা মরাল লৈবা মীওইশিং ফাননবা থিবা হুম্বগী থবক চখ্থরি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা হৌখিবা চহী ২০২৪গী জানুৱারি ১০দা মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী কনভোইদা খূৎলায় পায়বা শকখঙদবশিংনা এম্বুশ তৌদুনা এটেক্ত চখ্থরকখিবগী থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই অনী এন আই এনা ফারে হায়না ফোঙদোরক্লি।

এন আই এনা ফারবা মীওই ২ অদুদি জংমিনলুন সিংসন এলাইজ ফ্রেঙ্কি অমদি থাংজেল হাওকিপ এলাইজ থাংবোই কৌই হায়না ফোঙদোরক্লি।

# ভোট মতমদা থোক্লক্তুনা মীয়ামগা লোয়নবা...

*লমায় ১গী মখা...*মমাঙগী মীখলদা মায়থীহৌবা মতমদা মীয়ামগী তৌগে খনবা থবকশিংসু থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্লরোই হায়দুনা মীপায়বা পোকখি। অদুবু মীয়ামগী তৌগে খনবা থবক ময়ামগী মনুংদা অঙম্বা খরা থবক্তা ওন্থোক্তুনা মীয়ামগী মতেং পাঙবা ঙম্বা অসিমক নুংঙাইবা ফাওই।

মমাঙদা ভোট খজিক্তংদা মায়থীহৌবা অদুগী মতুং ইকান কান্নদনা মীয়ামগী লেপ্তুনা থবক অদুক তৌদুনা লাকখি। মতম অদুদা নুংশিবিবশিংনা মীখল ৱাৎলি, শেল তিংনবা থবকনি, মীখল নকশিল্লক্লবা মতমদা থোক্লকউ হায়রকপা লৌখি। অদুনা মীখল মতমদা থোক্লক্তুনা মীয়ামগী থবক তৌবা মী অদু মীয়ামগী অশেংবা মীহুৎ নত্তে হায়বা ৱাখল্লোন্দা ভোট কাবা কাদবা ভোট নকপা নত্তবা থীদনা অঙম্বা থবক লেপ্তুনা তৌরকপনি হায়খি।

# য়েলহৌমীশিং ঙাকপা ঙমদ্রবদি সি এম খেমচান্দ...

*লমায় ১গী মখা...* লৈখিদবদা ষ্টেট অমদি সেন্টর লৈঙাক্লা থৌ-ৱা শাদনা লৈথোকপগী মমি তাখি। কুকিগী সূ গ্রুপশিংনা গ্রউন্দ রুল থুগায়দুনা চীং অমদি তমদা নোংমৈ পায়রগা কোয়চৎ চৎপা য়াহল্লি। মসিদা ঙসি ফাওবা ষ্টেট অমদি সেন্টর লৈঙাক্লা এক্সন লৌখৎপগী মমি তাদ্রি। কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিংদা হেন্না তোংশিন্দুনা য়েলহৌমীশিংবু মুখৎনবা হোৎনবা লেপত্রি। মণিপুরগী কামজোং অমদি উখ্রুলগা তাইনবদা লৈবা নামলি, ৱাংলি, পিলোং, খাম্পাৎ হায়রিবা নাগা খুলশিং অসি ম্যান্মারগা য়ুন্নোন্ননা লৈবা খুলশিংনি। মফমশিং অসিদা কে এন এ (বি)গী লান্মীশিংনা তত্তনা এটেক্ত চখ্থরকপা খক্তা নত্তনা মীচমশিং ফাওবা হাৎলক্লবনি। হায়রিবা মফমশিং অসিদা ষ্টেট অমদি সেন্ত্রেল ফোর্স থম্বীনবা মী লৈনবা লৈঙাক্তা হায়জবা লৈখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবা সেক্যুরিটি ফোর্স অমত্তা লাক্তুনা মীচম মীয়াম ঙাক শেনবগী মমি তাদ্রি। মসিমক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কুকি রিফ্যুজিশিংগী মীচংদা লৈদুনা লৈবাক অসিগী সিটিজেনশিংবু ঙাকপী শেনবীবা ঙম্লক্তবনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে। ইন্দিয়াগী মখাদা মণিপুর লৈবগী ৱাহন্থোক লৈত্রে। মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং কনবীবা ঙম্লোইদবা ওইরবদি চীফ মিনিষ্টরসু মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোক্লো। লুরবা তানফম অসিদা চীফ মিনিষ্টরনা কোরিয়ান লোল ঙাংলগা লৈথোকফম থোক্তে হায়খি।

# লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা আই দি পিশিংগী...

*লমায় ১গী মখা...* অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা অৱাবা কয়া মায়োক্নদুনা লাক্লি। আইদিপিশিং মতেং ওইনবা হায়দুনা মণিপুর লৈঙাক্লা য়ুম অমমমদা লুপা লাখ অমমমগী শেনফম পীগনি। শেনফম অসিগী অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা লুপা লিশিং ২০ /২০ অমসুং অনিশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা লুপা লিশিং ২৫-২৫ অদুগা য়ুমদা হঞ্জিনবা মতমদা লুপা লিশিং ৫৫-৫৫ পীবা হায়না য়ান্নখি। অদুবু চুরাচান্দপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা আইদিপিশিং শেলগী মতেং অমত্তা ফংদনা লৈরি। চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকী সাইকোট ব্লোক্কী আইদিপি কয়া ঙসি ফাওবা শেলগী মতেং অমত্তা ফংদনা লৈরি। ৱাথোক অসিগী মতাংদা মরী লৈনরিবা চুরাচান্দপুরগী দিসি অমসুং এসদিওদা কয়ারক হায়জরবসু ঙসি ফাওবা চপ চানা শেলগী মতেং অমত্তা পীদনা লৈরি। হঞ্জিন হঞ্জিন ওফিসিয়েলশিংদা শেনফম অসিগী মতাংদা হায়জবদা করেম কথাইনবা ফাওবা তৌদুনা লৈরে। আইদিপিশিংনা থেংনরিবা অৱবশিং অসি য়েংবিরগা লৈঙাক্লা পীফম থোকপা শেলগী মতেং অদু অথুবদা পীথোকপিয়ু। আইদিপিশিং ময়ুমদা হঞ্জিন্দুনা অমুক হন্না খুন্দা লৈতাহনবা য়ানবা শিনবিয়ু। লোয়ননা লৈঙাক্লা গভর্ণমেন্ট জোব অমমম পীবিয়ু হায়খি।

# ইরাবত দেগা মরী লৈননা নুমিৎ ৩নি চখ্থরকপা সোসিয়েল সার্ভিস লোইশিনখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এস এন এস) ঃ লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১৩০শুবা মপোক কুমওন নীংশিং থৌরম ইরাবত দেগা মরী লৈননা লুৱাংশঙবম য়ুথ ক্লবনা শীন্দুনা নুমিৎ ৩নি চুপ্পা চখ্থরকপা সোসিয়েল সার্ভিস কেম্প ঙসি লোইশিনখ্রে।

কেম্প অদুদা ক্লব অসিগী অকোয়বদা লৈবা লম্বী থোং, ইরম-নলা শেমজিন শাজিনবগা লোয়ননা জঙ্গল কটিংনচিংবা থবক থৌরমশিংসু পাঙথোক্কখি। হয়েং ক্লব অসিগী ময়াই লোইশঙদা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী শক্তমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা অঙাংশিংগী ওইবা থৌরম কয়া অমসু পাঙথোক্তুনা লম্বীগী নাক-য়েৎ অমদি শান্নবুংগী অকোয়বদা উ চারাশিং থাগনি হায়রি।

# শান্তা খুরাইনা পুথোকপা 'মীৱা' ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এস এন এস) ঃ ট্রান্স কম্যুনিটিবু মীয়ান্না অরানবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা ঙাংন শক্নরিবা কয়াবু কমদৌনা মায়থিবা পীগনি হায়বা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইবা 'মীৱা' হায়না মিংথোনবা লইরিক অমা ঙসি ফোঙখ্রে।

ওল মনিপুর নুপী মানবী এসোসিয়েসন (অমানা)না শীন্দুনা থাংমৈবন্দদা লৈবা ধনি কন্টিনেন্টেলদা পাঙথোকখিবা মেশাকি তখেল্লম্বমনা এদিটর, শান্নবা অরাম্বম্না ত্রান্সলেটর অমদি শান্তা খুরাইনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌরগা পুথোকপা লাইরিক অসি ফোঙবগী থৌরম অদুদা শক্লাইরবী ফিল্ম এক্ট্রেস বলা হিজম অমদি ত্রান্স কম্যুনিটিগী মশক নাইরবা কয়ানা শরুক য়াখি।

# কে সি পিনা পোকখায়হল্লম্বনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (এজেন্সি): কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাই উচেকোন রোদ সনলাইট ক্লব মনাক্তা লৈবা নোনে দিষ্ট্রিক্তকী খৌপুম রেঞ্জদা ফোরেষ্ট রেঞ্জ ওফিসার (এফ আর ও) ওইবা ওইনাম পামহৈবগী য়ূমদা ঙসি অয়ুক পুং ২ রোম তারকপা অদুৱাইদা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হলম্বা অদু কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সি পি)গী লান্মী শংলুপ মীয়ামগী ফিঙাং লান্মী (এম এফ এল)গী স্পিসিয়েল টাস্ক ফোর্স (এস টি এফ)না চখ্থখিবনি হায়না লূপ অসিগী মেদিয়া কোওর্দিনেটর এ লুৱাংবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লোনা থিংখ্রবা লূপ অসিনা থাদোরকখিবা চেরোল অসিগী মতুং ইন্না রেঞ্জ ওফিসার ওইনাম পামহৈবদা লূপকী মায়কৈদগী হঞ্জিন-হঞ্জিন টেলিফোনগী খূৎথাংদা অমদি মশামক্কী ময়ূমদা এস টি এফকী লান্মীশিং চৎতুনা ৱারী শান্নরগা লূপকী পীফম থোকপা টেক্স পীনবা কয়ারক হন্না হায়খি। ওইনাম পামহৈবনা লূপপু থওই উশিৎতবা অমদি য়ান্না ঙক কনবা মতৌ উৎতুনা ২০২৫গী অঙনবা শরুক্তগী ঙসি ফাওবা টেক্স মখল অমত্তা পীদনা লাক্লি।

য়াওল লূপ অমনা মখল খূদিংমক্কী ব্যুজিনেস সেক্টরশিং অমদি লোয়শঙশিংদগী টেক্স লৌবা হায়বসি মালেম পুম্বগী চৎন-কাংলোনননা য়ারিবনি। য়াওল ঈহৌ হায়বসি মমা অমগী সিওমনুংদা নাওপুরিবা অঙাং অমগুম্বনি। মী অমা ওইবগী ফংফম থোকপা রাইট অদু মমা অদুনা পীরিবনি। লোয়ননা নোনে দিষ্ট্রিক্তা রেঞ্জ ওফিসার ওইনা থবক তৌমিন্নরিবা রেঞ্জ ওফিসর তখেলম্বম টিকেনদসু লূপনা ওইনাম পামহৈবদা য়েংলিবা মীৎয়েং অদুমক য়েংলক্কনি। রেঞ্জ ওফিসার অনিমক্লা মীয়ামগী নিংতম য়াওল অসিদা ফোঙনা শীংনবগী থবক খুদক্তা লেপকদবনি অমদি মশাগী অশোয়বশিং শেমদোকচদুনা লৈবাক মীয়াম অমদি লূপতা চঙজরক্কদবনি হায়রি।

# য়াইফ পাউজেল ...

*লমায় ১গী মখা...* চেরোল অমনা হায়, ইরাৱত দেনা লাকপদা লৈবাক মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। হিজম ইরাৱত ফ্রিদম ফাইটর, রিভোল্যুসনরি সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট, পোইট অমসুং স্কোলর অমা ওইনা মীয়াম্বু লুচিংলম্বা মীওইনি। মহাক্লা মণিপুরগী লিটরেচর, স্পোর্টসনচিংবা লম কয়াদসু থৌদাং লৌদুনা মণিপুরগী পুৱারিদা মুৎপা নাইররোইদবা মমি থল্লম্মী হায়রি। মণিপুরবু অপূনবা অমসুং ফুরুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবা পুরক্লবা লেপ্তুনা হোৎনরম্বা মহাক্কী থৌনা অদুনা মরম ওইরগা মহাকপু লময়ানবা হায়বা মিং থেল পীখিবনি।লময়ানবা ইরাৱতকী নীংশিং নুমিৎনা লাকপদা মণিপুরদা তঙদু লৈতাবা, চাওখৎপা অমসুং অপূনবগী মরি হেন্না চেৎশিনবা ওইরসনু হায়না ফোঙদোরকখি।

নাকল অমরোমদা, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর টি ঐচ সত্যব্রতানা থোদোরকপা চেরোল অমদসু জননেতা হিজম ইরাৱতকী ১৩০ শুবা পোকপগী নুমিৎনা লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

# এম এল এ পার্টিগী মীহুৎ ...

*লমায় ১গী মখা...*খুনৌনা পাঙথোকখিবদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা মখা তারদুনা হায়, এ সি অসিদা লৈরিবা খক্তা নত্তনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক্লা লৈবাক্কী ৱাখল্লোন্দা মাঙ থারগা থবক তৌবা চঙই। ভোটতা পার্টি অমগী খূত্থাংদা ভোট লেপ্পা হায়বসি হৌনাশানি। মরম অদুনা মীয়ান্না পার্টি অদুদা কারবা কেন্দিদেট অদুবু পোলিটিকেল পার্টি মান্নদে হায়দুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা এম এল এনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদা অয়েৎ অপন পীবগী মহুৎতা মতেং পাঙশিন্দুনা চাওখৎপা কেন্দ্র অমদি লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

# সাইখোম দেবেন মঙাং ...

*লমায় ১গী মখা...* মতম পুম্বগী ওইনা তান্থোকখ্রে।অমকাগী সেক্রেটরী দব্লিউ ব্রোজেন্দ্রো মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, তুং কোইনা তুংলমচৎকীদমক চৎনা কাঙলোন ঙাক্তুনা মপাঙ্গল কন্না লৈহৌনবগীদমক হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা দেবেননা এসোসিয়েসন অসিগী চৎনা কাঙলোনগী ৱাংমদা সেল্ফ ইষ্টাইলদা কম্মিটি খঙদনা মশাগী মরন্নাইগী ওইনা থবক থৌরম কয়া তৌরম্বগীদমক এগজিক্যুটিভ কম্মীটিনা মীফম্না ফমদুনা কুপ্পা খননরবা মতুং মহাকপু মতম পুম্বগী ওইনা তান্থোকপনি হায়রি। অমকাগী সেক্রেটরী শাদুনা থবক থৌরম কয়া তৌদুনা চৎনা কাঙলোন থুগায়রম্বা মৈস্নাম লৈখেন্দ্রো (লোকেন্দ্রা)সু মতম পুম্বগী ওইনা মেম্বরদগী তান্থোকখ্রে হায়রি।

# এম এল এশিংগী ফিরেপ...

*লমায় ১গী মখা...* পেপর ফোর্মেট অমসু এম এল এশিংদা পীশিনখি।

ঙসি হৌদোকখিবা নুমিৎতা সেকমাই এ সিগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গো, লল্লাই এ সিগী এম এল এ খোংবান্তাবম ইবোমচা, খুরাই এ সিগী এম এল এ লৈসাংথেম সুসিন্দ্রো, কৈরাও এ সিগী এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বরদা মেমোরেন্দম পীশিনখি।

ঙসি এম এল এশিংদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দমগী খূত্থাংদা এম এল এগী ফিরেপ হায়বিনবা তকশিনবদা এম এল এশিংনা ইসু অসিদা মপুং ফানা সপোর্ট তৌই হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোরকখি হায়রি।

